# রোমাজিৎ খুমদোম অমসুং এন চাওবা দেবীনা পুলিস কম্মেমোরেসন দে মরাথোনগী নুপা অমসুং নুপীগী টাইটলশিং লৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ঃ
সুপরিনটেনদেন্ট ওফ পুলিস ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অনীনা পুন্না শীন দুনা এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা মিনি মরাথোনদা রোমাজিৎ খুন্দ্রাকপম অমদি এন চাওবা দেবীনা নুপা অমসুং নুপীগী টাইটলশিং লৌখ্রে।

নুপী লমজেল্লোই ২৫৩ অমসুং নুপা লমজেল্লোই ৭৩২ পুন্না লমজেল্লোই ৯৮৫ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কিলোমিটর ১১ শাংবা মরাথোন অসি খুমন লম্পাক্তগী হৌরগা মিনুথোং-হট্টা-ন্যু চেক্কোন-পেলেস গেট-থুম্বুথোং- কৈশামথোং- কৈশামপাৎ- ৱাহেং লৈকাই- নাগামপাল-খুয়াথোং-নোর্থ এওসি- কেক্রুপাৎ ফাওরগা খুমন লম্পাক্তা লমথুংফম ওইখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিনি মরাথোন লমজেল অদুদা মণিপুরগী দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস আইপিএস এলএম খৌতেনা লমথাখি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা চেষ্ট নম্বর ২১৭ খুমদোম রোমাজিৎনা ৩১ঃ০০.০৪ দা লমথুংফম য়ৌদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। চেষ্ট নম্বর ২২৭ য়ুম্নাম অরজিৎনা ৩১ঃ৪২.০২ মিনটতা চেল্লগা অনীশুবা পোজিসন অদুগা চেষ্ট নম্বর ১২২ সাপম রোমেসনা ৩২ঃ০৮.২০ দা লমথুংফম য়ৌরগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অহানবা পোজিসন তাখ্রবা খুমদোম রোমাজিৎনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২৫,০০০, অনীশুবা পোজিসন তাখ্রবা য়ুম্নাম অরজিৎনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২০,০০০ অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা সাপম রোমেসনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ১৫,০০০ ফংখি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লমজেল্লোই ১৫ দা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২০০০ / ২০০০ খুৎশিন্নখি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা চেষ্ট নম্বর ৭১২ এন চাওবা দেবীনা ৩৯ঃ০৮.৮০ মিনটতা অহানবা পোজিসন তাখি। চেষ্ট নম্বর ৭২৯ টি রুশিয়া চনুনা ৩৯ঃ১৮.৫৮ দা অনীশুবা পোজিসন অদুগা চেষ্ট নম্বর ৭২৮ শগোলশেম প্রেমিলা দেবীনা ৩৯ঃ৬১.৪৭ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী মরাথোন লমজেল অসিদা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবী লমজেল্লোইশিংনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২৫,০০০, ২০,০০০ অমসুং ১৫,০০০ ফংখি। কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লমজেল্লোই নুপী ১৫ দা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২০০০ / ২০০০সু খুৎশিন্নখি।

# ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লীগ ২০১৮ ৱাইপিওনা এসএও মায়থিবা পীখ্রে, য়ুবিএসএ অমদি ৱাইদিও দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবদা ৱাইপিওনা এসএওবু গোল ২-০দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুবিএসএ (মন্টক) অমদি ৱাইদিও (সোরা) গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ুবিএসএ (মন্টক) অমদি ৱাইদিও (সোরা) গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। য়ুবিএসএগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ ভিক্তর দাংমৈনা মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। ৱাইদিওগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৪ রোহিটনা মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

য়ুবিএসএ (মন্টক) অমদি ৱাইদিও (সোরা)না শান্নখিবা মেটচ অদুদা এল প্রিয়োবর্টা, এস লিটনবালা, সিঐচ সামসন, এল সনাতোম্বনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখি।

১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লীগ ২০১৮গী ঙসি অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ৱাইপিওনা এসএওবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাইপিওগী গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ১১ প্রেমজিৎনা মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা অহানবা অদুগা জর্সি নম্বর ৯ এমদি রাজানা মেটচকী ৩৪শুবদা অনীশুবা গোল চনখি।

মেটচ অসিদা এল সনাতোম্বা, সিঐচ সামসন, এস লিটনবালা অমদি এল প্রিয়োবরটানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিস্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখি।

# বোল্লর উমেস যাদবগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ১০ দা থোইদুনা সেরিজ ২-০ দা লৌখ্রে



*হায়দরবাদ, ওক্টোবর ১৪ ঃ*
ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নরিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিনখিবদা বোল্লর উমেস যাদবগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ১০ দা থোইদুনা সেরিজ ২-০ দা লৌখ্রে।

অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ৩১১ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাওখুমদা ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ৩৬৭ লৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজদগী ৫৬ হেন্দুনা চৎখি।

ঙরাং নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৩০৮ লৌরগা ৱেষ্ট ইন্দিজদগী রন ৩ শোখদুনা লৈখিবনি। মদুদা অজিনক্য রহানে অমসুং রিসব পন্টনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৭৫ অমসুং ৮৫ লৌবা ঙমখি।

মখা তানা ইন্দিয়ানা ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎ শান্নরকপদা শুপ্নগী রন ৫৯ হাপচিল্লগা ৱিকেট ১০ মক তুখিবদগী রন ৩৬৭ দা লোইশিনখিবনি।

ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা অজিনক্য রহানে অমসুং রিসব পন্টনা য়াম্না ফজবাবেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মথংশিংনা রন ৮০ অমসুং ৯২ লৌরমখি। ৮শুবা বেটসমেন রবিচন্দ্রন আস্বিনসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ৩৫ হাপচিনবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙসি মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ১২৭ খক লৌবা ঙমখি। মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা অহুমশুবা বেটসমেন সাই হোপ অমসুং ৫শুবা বেটসমেন সুনিল এম্ব্রিসনা মথংশিংনা রন ২৮ অমসুং ৩৮ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোরশিং ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বোল্লর উমেস যাদবনা শান্নরোই ৪ আওট তাহনবা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অদু মায় পাক্লবগী রন ৭২ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ১৭শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা বেটসমেন অমত্তা আওট ওইদনা রন ৭৫ লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ১০ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর পৃথিবী সো অমসুং লোকেস রাহুলনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৩৩ /৩৩ লৌরমখি।

# সাংহাই রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন জোকোভিসনা ওইখ্রে, দবলসকী টাইটল কুবোট অমসুং মেলোনা ফংখ্রে



*সাংহাই, ওক্টোবর ১৪ ঃ*
চাইনাগী মরুওইবা সিটি অমা ওইরিবা সাংহাই রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা লৌদুনা নৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী লম্বেল নকশিনখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী টাইটলনা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা ফংখ্রে।

সাংহাই রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর টু সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ১৩শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকপু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিককী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই বোর্না কোরিককী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা সেট অদুসু মায়োক্লবা শান্নরোই কোরিকগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবগা লোয়নননা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী লম্বেল নকশিনহনখ্রে।

সাংহাই রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুনামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা ৬শুবা সিদেদ পেয়র বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইরম্লগা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা পোলেন্দগী কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মেলোনা বৃটেনগী মুরে অমদি ব্রাজিলগী সোরেজগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা ফজবা হেনখিবদগী বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা য়াম্না লায়না ৬-২ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

# ৪৩শুবা মণিপুর ষ্টেট সেনিয়র অমদি ৩০শুবা সব-জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়ন্সিপ লোইশিনখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১৪ঃ
মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিয়েসন (এমএকেকেএ)গী মীৎয়েং মখাদা সালুংফম য়ুঠ স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন (এসৱাইএসসিএ) না শিন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী সালুংফম পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ৪৩শুবা মণিপুর ষ্টেট সেনিয়র এন্দ ৩০শুবা সব-জুনিয়র (লেট পিঐচ মরি শর্মা মেমোরিয়েল ট্রোফি) খো-খো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ ঙসি সেনিয়র মেন্স অমদি সেনিয়র ৱুমেন্সকী ফাইনেল মেটচশিং শান্নদুনা লোইশিনখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেনিয়র মেন্সকী ফাইনেল মেটচতা এসসিইএএসদিও হৈরোকনা এএসকেকেএ অৱাং সেকমাইবু পোইন্ট ১৫-১৪ দা থোইদুনা সেনিয়র মেন্সকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

সেনিয়র ৱুমেন্সকী ফাইনেল মেটচতা আরয়ুসি খাঙবোক্লা এসসিইএএদদিও হৈরোকপু পোইন্ট ৫-৪ দা থোইদুনা সেনিয়র ৱুমেন্সকী চেম্পিয়ন ওইখি।

সব-জুনিয়রগী অপুনবা টিম ১৯ অদুগা সেনিয়র লপনগী ওইনা টিম ২২ না শরুক য়াদুনাচথরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা সব-জুনিয়রগী ফাইনেল মেটচশিংদা নুপাগীদা সিঐচএমৱাইদিএ সঙ্গাইয়ুম্ফমনা পিৱাইদিসি খাঙবোকপু পোইন্ট ১৭-১৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি। অদুগা নুপীগীদা সিঐচএমৱাইদিএ সঙ্গাইয়ুম্ফমনা আরয়ুসি খাঙবোকপু পোইন্ট ২১-১৮ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা থৌবাল জিলাগী অধক্ষ্য হসিনা বেগম, উপ্প অধক্ষ্য টি নুংশি সিংহ অমদি খা য়াম্বেম জিপিগী প্রধান পিঐচ লৈবাকচাওনা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স তাখিবা টিমশিংবু ট্রোফি অমদি মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

# এময়ু নুপা অমসুং নুপীগী টিটি টিম লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ঃ
লাক্লিবা থা অসিগী ২৯দগী ৩০ ফাওবা পণ্ডিট রবি সঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটি রায়পুর সাটিসগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেবল টেন্নিস (নুপা অমসুং নুপী) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী খল্লবা টেবল টেন্নিস নুপা অমসুং নুপীগী টিম লাওথোক্লে।

নুপাগী খল্লবা শান্নরোই ৫ অদুদি কে জেক্সন সিংহ(মোইরাং কলেজ), কেনাও কোম্থৌজম (এনএল সানোই কলেজ), রাজ কুমার দিনেল (বিরমঙ্গল কলেজ), দিলিপ কুমার হৈখাম (দিএমসি সাইন্স) অমদি এন বিকিপসন (খা মণিপুর কলেজ)নি।

নুপীগী খনগৎলবা শান্নরোই ৪ অদুদি টি লিম্থোইঙানবী (দিএমসি আর্টস), আই মোনালিসা দেবী (রিজনেল কলেজ), এম রিনা চনু (খা মণিপুর কলেজ) অমসুং ওনেষ্টি য়োনখোম (ৱাই মনি কলেজ)নি।

খনগৎখ্রবা নুপা অমসুং নুপী টেবল টেন্নিস শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৭কী অয়ুক পুং ১১ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লাক্কুনা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর ওফ স্পোর্টস মণিপুর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ডা. সিঐচ প্রদিপ সিংহদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# ফার্ষ্ট এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিয়েল ৱুমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা এসএৱাইসি মায় পাকখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ১৪ঃ
জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্যুনিটি হোল কম কাংশঙ, বাবুপারাদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবাম, মণিপুরনা শিন্দুনা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৩ দগী হৌদুনা চথরকখিবা ফার্ষ্ট এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিয়েল ৱুমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এসএৱাইসি সোরেক অতিংবীনা মহাদেব নিংথেম্বমবু পাঞ্জল ১৪-১০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ লাক্লিবা তাং ২৪ দা এলইসি বাবুপারাগী মায়োক্তা ইচেল ক্লব দিবোং টিম অনীনা শান্নরগনি। অদুগা থা অসিগী ১৬ তা ৩শুবা টিঐচ হেরা সিংহ ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মেটচতা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবীনা সনামহি কছারগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবীনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা মহাদেব নিংথেম্বমনা কাং কাপ্পা হৌখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবী অমদি মহাদেব নিংথেম্বম টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবীনা মহাদেব নিংথেম্বম টিমবু পাঞ্জল ১৪-১০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এন কুঞ্জমোহন সিংহনা অম্পয়র ওইখি। অদুগা এ ইবোতোন সিংহনা স্কোরর ওইখি।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিই তোমচৌ সিংহ অমদি মহাক্কী মচিন-মনাওশিংনা মখোয়গী লৈখিদ্রবী মমাগী মিংদা কৎচবা টুর্নামেন্টনি।

# ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ঃ
মণিপুরদা বোদি বিল্ডিং এসোসিয়েসনগী চয়েৎনবা অনী থোকপা লৈরম্বা অদু হৌজিক লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিগী ৱাখল্লোন অনী থোকপা ফত্তে হায়বা অসিগী মখাদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসন অমদি ওল মণিপুর জিমনাজিয়ম ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন অনীগী অপুনবা মীফম অমা মমাঙ থাগী ২৮ দা আইএএস আমস্ট্রোং পামৈ রেজিষ্টার ওফ সোসাইটিজনা চিয়রমেন ওইদুনা লম্ফেলদা লৈবা রেজিষ্টার ওফ সোসাইটিজগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কুনা অনৌবা এসোসিয়েসন ওল মণিপুর বোদি বিল্ডির্স এসোসিয়েসন হায়না শেম্বা য়ান্নখি।

এসোসিয়েসন অনী অসিবু পুনশিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওইশিং, মণিপুরদা লৈরিবা জিমশিং অমদি শান্নববু নুংশিজবা মীয়ামশিংবু ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসননা ইকাই খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা মণিপুরদা বোদি বিল্ডিং মশান্না অসি মণিপুরদা অনী থোকপা লৈত্রে হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী য়ুমলেম্বম সুনান্টানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফুটবোলদা শরুক য়াগদবা এময়ুগী নুপা ফুটবোল টিম লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ঃ
থা অসিগী ২৫ দগী ওদিসাদা লৈবা সম্বালপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ দা শরুক য়াননবগীদমক এময়ু ফুটবোল (মেন) গী খল্লবা শান্নরোই ২০গী মমিং লাওথোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদিঃ- গোলকিপরদা ৱাই রাজু সিংহ (মোইরাং কলেজ), দল্লিয়ু বিজেন সিংহ (সিআই কলেজ) অমসুং এন নোংপোকঙানবা (কেপি কলেজ) নি।

দিফেন্দরদা কে সুরজ সিংহ (মোইরাং কলেজ), এ য়াইমা মৈতৈ (ককচিং খুন্নৌ কলেজ), খোমলো মোর্নিংসন (য়ুনাইটেদ কলেজ), এম মণিতোম্বা (কেপি কজেল), এম চোংমৈ (মণিপুর কলেজ) অমসুং দল্লিয়ু সাইলেস (দিএমসি সাইন্স) নি।

মিডফিল্ডরদা কে ৱাংলেন সিংহ( দিএমসি সাইন্স), অনিস ওইনাম (কেপি কলেজ), এ জেক্সন (মোইরাং কলেজ), জেসি মোনুং (য়ুনাইটেদ কলেজ) অমদি পি বিদ্যাসাগর সিংহ (থৌবাল কলেজ) নি।

ফোরৱার্দতা ঐচ সাইলেস (মোইরাং কলেজ), মলাক্কের কোম (মোইরাং কলেজ), থোকচোম রেগান সিংহ (কেপি কলেজ), সানসন ওইনাম (কেপি কজেল), টিঐচ থোইবা সিংহ (ৱাই কে কলেজ) অমদি সাইমোন কামৈ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি) নি।

খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা ইম্ফাল থাদোক্লিবা ফাওবা কোচিং য়াওননবগীদমক ফুল কিটসকা লোয়ননা কে সোমোরজিৎ সিংহ এএফসি 'সি' লাইসেন্সতা লাক্লিবা তাং ১৭ কী অয়ুক পুং ১১.৩০ দা রিপোর্ট তৌরনবা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর ওফ স্পোর্টস এময়ু ডা. সিঐচ প্রদিপ সিংহনা খঙহল্লক্লি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*